# ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এসজিএফআই) গী মীৎয়েং মখাদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ২০১৮ ইন তাইকুন্দো অন্দর-১৪ (বোইজ এন্দ গার্লস) ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তাইকুন্দো ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

স্কুল গেমস অসি হৌদোকপগী থৌরমদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু আইএএস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ৱাটর সিছোর্স দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরী জেসিন্থা লজারাজ আইএএস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী জেইন্ট ডাইরেক্টর কেঐচ প্রমোদা দেবী, স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওবজরবর আর কে পারিহরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা য়ুনিট ৩০ গী নুপা-নুপী পুন্না শান্নরোই ৫১২ না শরুক য়াদুনা নেসনেল স্কুল গেমস অসিদা অথোই-অহেন তান্নগদৌরি।

অন্ধ্র প্রদেশতগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১০ পুন্না ২১, অসামদগী নুপামচা ১০, নুপীমচা ৭ পুন্না ১৭, বিহারদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১০ পুন্না ২১, সিবিএসই ৱেলফিয়র স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনদগী নুপামচা ৫ নুপীমচা ৪ পুন্না ৯, চান্দিগরদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৭ পুন্না ১৭, ছাতিসগরদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১১ পুন্না ২২, ধমান এন্দ দিয়ুদগী নুপামচা ৫, দিল্লিদগী নুপামচা ৯ নুপীমচা ১০ পুন্না ১৯, গৌৱাদগী নুপামচা ৯ নুপীমচা ৬ পুন্না ১৫, গুজরাটতগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৯ পুন্না ১৯, হারিয়ানাদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১১ পুন্না ২২, ইন্টরনেসনেল বোর্দ স্কুল স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনদগী নুপামচা ৩ নুপীমচা ১ পুন্না ৪, আইপিএসসিদগী নুপামচা ৮ নুপীমচা ৬ পুন্না ১৪, জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৯ পুন্না ১৯, ঝরখান্দগী নুপামচা ৯ নুপীমচা ৫ পুন্না ১৪, কেন্দ্র বিদ্যালায়া শঙাথনদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ১০ পুন্না ২০, কেরলাদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৯ পুন্না ১৯, মৈধ্য প্রদেশতগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ১১ পুন্না ২১, মহারাষ্ট্রদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১১ পুন্না ২২, য়ুম্থু মণিপুরদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৭ পুন্না ১৭, মীজোরামদগী নুপামচা ৭ নুপীমচা ৭ পুন্না ১৪, নাগালেন্দগী নুপামচা ১১, নাবোদিয়া বিদ্যালায়া সম্মিটিদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ৮ পুন্না ১৯, পঞ্জাবতগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৮ পুন্না ১৮, তামিল নাদুদাগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১০ পুন্না ২১, তেলঙ্গানাদগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ৯ পুন্না ২০, উত্তর প্রদেশতগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৯ পুন্না ১৯, উত্তরখন্দগী নুপামচা ১১ নুপীমচা ১০ পুন্না ২১, বিদ্যয়া ভারত্তিদগী নুপামচা ১০ নুপীমচা ৮ পুন্না ১৮ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী নুপামচা ৮ নুপীমচা ৬ পুন্না ১৪ নি।

গেমস অসিগী শান্নরোইশিংগী মহুৎ শীল্লগা ইন্টরনেসনেল তাইকুন্দো প্লেয়র (পুমসে) দায়াশ্রী তাখেলচংবমনা ওট টেক্কিং লৌখি।

# মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৮
## উরুগেনা ইন্দিয়া-এবু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থিবা পীখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ১২শুবা ইদিসন ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উরুগেনা ইন্দিয়া-এবু পাঞ্জল ৮-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা উরুগেগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ এলি জান্দ্রা এল হোরদোইনা মিনট ০.৪৬ অমদি জর্সি নম্বর ১ গাইলরমো সিকোনা মিনট ৫.০৮তা গোল অমমম চনখি। অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ গেলেমোর সিকোনা মিনট ১.২৮ অমদি ৫.২৪ দা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ৩ জুৱান ফারনালদেসনা মিনট ২.০৬ অমদি জর্সি নম্বর ২ ইলিজান্দোর ইন হোরদোইনা মিনট ৩.৪৩ দা পাঞ্জল অমমম চনদুনা অহুমশুবা চক্করদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি।

মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ গেলেমোর সিকোনা মিনট ০.৪৩ অমদি জর্সি নম্বর ২ ইলিজান্দোর এল হোরদোইনা মিনট ৬.১৬তা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মায়থিরবা ইন্দিয়া-এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ মহেস শর্ম্মানা মিনট ৪.০৭ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা ইন্দিয়া-বি অমদি উরুগে অনীশুবা মেটচতা য়ুএসএ অমদি ইংলেন্দগা শান্নরগনি।

# বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮
## বিদিভিএফএ অমদি সিসিপুর মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুর অমদি সিসিপুর চুরাচন্দপুর মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা বিদিএফএ বিষ্ণুপুরনা চোলহা সদর হিলসপু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হেক হৌরকপগী মিনট ১ চৎপা মতমদা বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ১২ দাল বহাদুরনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনখি।

বিদিএফএনা হৌরকপদগী নিংথিনা শান্নদুনা মিনট ১২ চৎপা মতমদা জর্সি নম্বর ১২ দাল বহাদুরনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা বিদিএফএ বিষ্ণুপুরনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথনা লৈরিবা চোলহা সদর হিলসনা গোল হন্দোক্লবা কন্না শান্নজরবসু বিদিএফএ বিষ্ণুপুরগী শান্নরোইশিংনা মেটচ অসিবু নিংথিনা শান্নবদগী চোলহা সদর হিলসকী চথরকপা এটেক্টশিংবু অরেম্বা তাহনদুনা মেটচ অসিদা বিদিএফএ বিষ্ণুপুরনা চোলহা সদর হিলসবু গোল অমত্তা চলহনবা ঙমদনা মেটচ অসিবু ২-০ দা মায় পাকখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ-এগী লীগ মেটচতা সিসিপুর চুরাচন্দপুরনা ভিএফসি শিংজমৈবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সিসিপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ পাউঙমনর মেটচকী মিনট ১৭, ২২ অমদি ৩৯ দা গোল অহুম চনদুনা হেদত্রিক ফঙখি।

মায়থিরবা ভিএফসি শিংজমৈগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ এস গান্ধীনা মিনট ১৯ অমদি জর্সি নম্বর ১০ এ জয়েন্তনা মিনট ৩১ দা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা সিসিপুরগী জর্সি নম্বর ৫ রোশাং রিয়ানা অমদি ভিএফসিগী জর্সি নম্বর ২৫ এ জেনদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা ভিএসএআই থাংমৈবন্দ অমদি সিসিপুরনা নুংথিল পুং ১ দা অহানবা মেটচ অমদি বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুর অমদি য়ুভিএসএ লিলোং চজিংনা নুংথিল পুং ২.৩০ দা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# ফ্রেন্দলি ৱুমেন ফুটবোল এক্সিবিসন
## মণিপুর ১১(বি)না সগাইং ১১বু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এক্ট ইস পোলিসি কম্মিটি, দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পুন্না শীন্দুনা মণিপুর ১১(এ) অমদি সগাইং ১১গী ওইবা ফ্রেন্দলি ৱুমেন ফুটবোল এক্সিবিসন মেটচ অমা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা মণিপুর ১১ (বি) না সগাইং ১১ গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মণিপুরগী মায়কৈদগী নিংথিনা শান্নদুনা য়ুম্থুগী ভাবকশিংবু পূক্লিং চীংশিনখি। মণিপুরগী চথরকখিবা এটেক্টশিংদা মেটচকী মিনট ২৭ চৎপা মতমদা জর্সি নম্বর ৮ পিঐচ বিনা দেবীনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ফার্ষ্ট হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেকেন্দ হাল্ফ হেক হৌরকপগী মিনট ৪৭ চৎপা মতমদা জর্সি নম্বর ৮ পিঐচ বিনা দেবীনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনদুনা মণিপুরনা গোল ২-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

শোথনা লৈরিবা গোলশিং অদুবু হন্দোক্লবা সগাইংগী মায়কৈদগী হোৎনজরবসু মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী য়ুম্থু মণিপুরনা সগাইংবু লাকশিনখি। মেটচ অসিদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১২ এন প্রিয়ানকানা মিনট ৮০ প্লস ১দা আউল গোল অমা চনদুনা ২-১ দা লৈখি।

সগাইংগী মাইকৈদগী গোল অহেনবা হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসিদা য়ুম্থু মণিপুরগী মখূৎতা গোল ২-১ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা ই দেবালা, এম রোসনি, আরদি অরিং নিদম অমদি এন সুনিতানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# দিএসএ থার্দ দিভিজন ২০১৮
## পিৱাইএসসি ফুনাল মায় পাকখ্রে, কেটিসি ককচিং অমদি য়ুসিসি ককচিং দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা টিম ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা দিএসএ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পিৱাইএসসি ফুনাল মায় পাকখ্রে, কেটিসি ককচিং অমদি য়ুসিসি ককচিং দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা পিঐচৱাইসি ফুনালনা ৱাইদব্লিউয়ু ককচিংবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা পিএসৱাইসি ফুনালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সিঐচ এমসননা ফার্ষ্ট হাল্ফকী এদিসনেল মিনট ৩৫ প্লস ২দা গোল অমা, অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৬২ দা জর্সি নম্বর ১৭ এল রোক্সননা গোল অমদি অনীশুবা হাল্ফকী এদিসনেল মিনিট ৭০ প্লস ৪ দা জর্সি নম্বর ৯ দি ওসেমনা গোল ১ পুন্না পিঐচৱাইসি ফুনালগী গোল অহুম চনদুনা ৱাইদব্লিউয়ু ককচিংবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দ কেটিসি ককচিং অমদি য়ুসিসি ককচিং গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা কেটিসিগী জর্সি নম্বর ৯ এ মাইকেল অমদি য়ুসিসিগী জর্সি নম্বর ৪ এম সঙ্করদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা সুগনু ফুটবোল ক্লব (এসএফসি) অমদি ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব (এসএফসি) কা শান্নরগনি।

# সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইদিটিএ) অমদি এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র প্লেয়র ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ গী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২২দগী আইদিটিএ লমফেলপাৎ, এসইৱাইও টেন্নিস কোর্ট অকাম্পাৎ অমদি হাও টেন্নিস কোর্ট চীংঙামথক্তা চথরিবা সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলস ওপনদা বেক্করনা আরিয়াবু ৬-৪, ৬-১ মোৱিন্তোননা রোমিওবু ৬-০, ৬-২, রিভাস্করনা একেনবু ৬-১, ৬-০, রুপমনা রাকেসবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-৩), রঞ্জননা এ প্রেমবু ৬-১, ৬-০, রাবিনা প্রকাসবু ৬-২, ৬-১, জিতেননা মৌৱিন্তোনবু ৬-১, ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেন্স দবলস ওপনদা বোনা অমদি বেক্করনা জিম্মী অমদি য়ুরিদাসবু ৬-২, ৬-১, অতাপ অমদি প্রিতমনা হেরোজিৎ অমদি হানুবু ৬-৪, ৬-৭ (৭-৯), (১০-৫), রাবি অমদি একেনা এ প্রেম অমদি প্রদিপু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# ওইনাম চর্লি কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৪দগী কাং খুৎ ১২না গ্রূপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংখুৎ চীংঙামথক্তা লৈবা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরক্লিবা অহানবা ওইনাম চর্লি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট কী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রনা কৈশামথোং কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১২-১০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র না তোচ ঙমদুনা কাং হান্না কাপ্পা হৌখি।

মেটচ অসিদা অমুজালনা অম্পয়র অমদি টিঐচ ধিরেন্দ্রনা স্কোর মেন ওইখি।

চথরিবা অহানবা চর্লি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা তাং ২৯ দা শিংজমৈ কেন্দ্র অমদি ৱাঙ্গোই কেন্দ্র গা শান্নরগনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*